# বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস দব্লিউ সি ইশোকনা দব্লিউ ৱাই সিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্নুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৪ শুবা এন বলানন্দা নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী শান্নখিবা মেটচশিংদা এস দব্লিউ সি ইশোক মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা লোক্তাক এফ সি প্রোজেক্ট অমদি এস এল ও বিষ্ণুপুর দ্রো চৎখ্রে।

লীগকী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা দব্লিউ ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌ অমদি এস দব্লিউ সি ইসোকনা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ ৱাই সিনা এস সব্লিউ সিবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৫ ফাওবদি নাকল অনীনা লম্বা মান্না শান্নখিবনা গোল চন্নবগী খুদোং চাবা ফঙন্নরকসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈন্নখি। অদুবু অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৭ চৎপদা এস দব্লিউ সি ইসোককী জর্সি নম্বর ১৭ এল ইবোচৌনা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা দব্লিউ ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা অনৌবা লাঙলোন কয়া শীজিন্নরক্তুনা এটেক কয়া তৌখি।

অদুবু এস দব্লিউ সি ইশোককী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মথৌ খঙনা শান্নরকপ্পা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা দব্লিউ ৱাই সিনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি এস দব্লিউ সিগী মখূৎতা মায়থিবা নঙহৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল ননাও, এস পূন্সি, এল ভুভোন অমদি ৱাই লুঙশু, না মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা লোক্তাক এফ সি প্রোজেক্ট অমদি এস এল ও বিষ্ণুপুরনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিঙশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্তিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা এস এল ও বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ২২ কে ঐচ সানিকেসতা মেটচক কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস এফ সি তেরা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা চত্থরিবা ৯ শুবা কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সি তেরা মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এস এফ সি তেরা অমদি এস ৱাই পি এ সেকমাইনা শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সিনা এস ৱাই পি এবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ২ চৎপদা এস এফ সি তেরাগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই মোনিস সিংহনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। হাল্ফ লোয়দ্রিঙৈ মমাঙদা গোল শোত্থরিবা এস ৱাই পি এ সেকমাইকী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎন্নরবসু গোল চনবা ঙমদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এস এফ সি তেরানা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা এটেক কয়া চত্থদুনা শান্নরকখি। মসিগী মহৈ ওইনা এস এফ সি তেরাগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই মোনিসনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগীসু অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা টিমসিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৪ পাওজিনথাঙনা মিনট ৫৫ চৎপদা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্তরিবা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী অহোবা জগাশিং অদু নীংথিনা মেন্সিলক্তুনা হনবা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখ্রবসু এস এফ সি তেরাগী দিফেন্সরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

অদুবু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৭৬ চৎপদা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী জর্সি নম্বর ১১ এল নিংথৌবানা গোল অমা হন্দোক্নুনা ৩–১ দা লৈখ্রবসু এস এফ সি তেরাগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী অরোয়বা মীকূপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা এস ৱাই পি এ সেকমাইদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ওনিল, সি ঐচ সূরেস, টি ঐচ রোবিন অমদি টি হেমন্তনা মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# সি সি মীর্ট কাঙ টুর্নামেন্টতা শলাই তরেৎ কাঙখূৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা চত্থরিবা ৬৪ শুবা সার চড়চান্দ সিংহ ( কে সি এস আই– সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টদা শলাই তরেৎ কাঙখূৎ ফাইনেল চঙখ্রে ।

ঙসি শলাই তরেৎ কাঙখূৎ অমদি তেকা (বি) কাঙখূৎনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা শলাই তরেৎ কাঙখূৎনা তেকা (বি) কাঙখূৎপু পাঞ্জল ২৩–২১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।



মায় পাক্লবা শলাই তরেৎ কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ অমদি তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৩ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা তেকা (বি) কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১২ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অমদি তাস ব্রেক্তা পাঞ্জল ১ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা শলাই তরেৎ কাঙখূৎগী কাঙলোইশিং অদুদি কে ঐচ বিরেন সিংহ, অরুনকুমার, জয় সিংহল সঞ্জয় সিংহ, এল তোম্বা, রুপচন্দ্র মৈতৈ অমসি সান্তনি।

মায়থিরবা তেকা (বি) কাঙখূৎকী কাঙলোয়শিং অদুদি আর কে ইমোচা, ও ইদোলেন, এ জয়েন্ত শর্ম্মা, ও অবুং, কে ঐচ বিদিয়াচন্দ্র, এল কমানদা, টি ঐচ কুমার, ৱাই রাতন অমদি দব্লিউ অরুননি। শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অম্পিয়রনা পি ঐচ চুড়ামানিনা ওইখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৩ দা কে সি ও কৈশামথোং কাঙখূৎ অমদি ক্লাসা কাঙখূৎকা শান্নগনি।

# মণিপুরগী জিট কুনে–দো টিমনা অনীশুবা তারক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা থা অসিগী ওক্টোবরগী তাং ১৮ দগী ২০ ফাওবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অগ্রা সিটি, উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা নেস্নেল সব–জুনিয়র, জুনিয়র এন্দ সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৭, সিলভর মেদল ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১২ পূন্না মেদল ২৪ ফঙদুনা সেকেন্দ রন্নস অপ তারক্লে।

চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং অদুদি– সব–জুনিয়র ৱুমেনগী কেজি ২৮ মখাগী কাঙলূপ্তা হিরুংবম নন্দেশ্বরিনা সিলভর মেদল, কেজি ৩১ মখাগী কাঙলূপ্তা মেলিন্দা মোইরাংথেমনা সিলভর, কেজি ৪৩ মখাগী কাঙলূপ্তা এন জি সানিয়া দেবীনা সিলভর। জুনিয়র কেজি ৫৪ মখাগী কাঙলূপ্তা এন রানি চনুনা গোল্ড মেদল লৌরকখি।

সব–জুনিয়র মেনগী কেজি ৩০ মখাগী কাঙলূপ্তা কব্রামবাম ওগষ্টিন সিংহনা গোল্ড মেদল, কাঙলূপ অসিগী কেজি ৪২মখাগীদা লনচেনবা এনা সিলভর মেদল, কেজি ৫৪ মখাগী কাঙলূপ্তা এম পৃথিবীরাজ মৈতৈনা গোল্ড মেদল, কাঙলূপ অসিগী কেজি ৫১ মখাগী দব্লিউ রাজু মৈতৈনা গোল্ড মেদল, কাঙলূপ অসিগী কেজি ৫৪ মথক্কীদা এন নেলসন সিংহনা সিলভর মেদল অমদি কেজি ৪৭ মখাগীদা এ অবিট সিংহনা সিলভর মেদলশিং লৌরকখি।

জুনিয়র মেন কেজি ৫৩ মখাগী কাঙলূপ্তা এস কেনিদিনা গোল্ড মেদল অমদি কেজি ৫৫ মখাগীদা এল দিনেস সিংহনা গোল্ড মেদলশিং লৌরকখি।

মণিপুরগী টিম অসিগী কোর্চনা এন রোবার্টসন সিংহনি অদুগা তেক্নিকেল ওফিসিয়েলনা সি ঐচ মঙলেমঙানবানা ওইখি।

# চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ শলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ২৬ তগী ২৭ ফাওবা অনীশুবা অন্দর ১৫ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদা পাঙথোক্লগনি হায়না শলাই চেছ একাদেমিগী হেদ কোচ য়াম্বেম ধনাবির সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অকূপ্পা মরোলগীদমক ৯৪৩৬৬১২৮৫২ নত্রগা ৭০০২৮৭৩০৮৪ দাগী খঙল্লবা য়াগনি হায়রি।

# মেকদোনাল্ডনা হেদ কোচ ওইরগনি

মুম্বাই, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি)ঃ ওষ্ট্রেলিয়া মচা এন্দ্রয়ু মেকদোনাল্ডনা পেদ্দি অপতোনগী মহুৎ শীন্দুনা ইন্দিয়া প্রেমিয়র লীগ ( আই পি এল)গী ফ্রেঞ্চাইজ রাজাষ্টান রোয়েলসকী হেদ কোচ ওইরগনি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা এন্দ্রয়ু মেকদোনাল্ড ওষ্ট্রেলিয়া নেস্নেল টিমদা শরুক য়াদুনা টেষ্ট মেটচ ৪ শান্নখ্রে। মহাক্কী লুচিংমখাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিক্সটিক ক্রিকেটতা লৈবাক অসিগী টিম ভিক্টোরিয়াবু কুমজা ২০১৬–১৭ সেফফিল্ড সিল্ডগী টাইতল লৌবা ঙমখি।

# নেস্নেল ত্রেদিসিনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী টিম লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী নবেম্বর ২১ দগী ২৪ ফাওবা হয়দ্রবাদকী এল বি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮ শুবা নেস্নেল ত্রেদিসিনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়ারুনবা মণিপুর টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাওথোখ্রে।

শরুক য়াগদবা টিমশিংগী শান্নরোইশিং অদুদি– গার্লস য়ু–১১গী কেজি ৩১ মখাগীদা পি মালেমঙানবী অমদি কে ঐচ কিরনবলানি। য়ু–১৪গী কেজি ৪০ মখাগী কাঙলূপ্তা ৱাই মিনাকশি অমদি এন জিনিতানি। কেজি ৪৫ মখাগীদা কে ঐচ হেলসনা দেবী অমদি এল সি লিন্থোইনি।

কেজি ৫০মখাগীদা কে ঐচ তাইবঙানবী অমদি কে ঐচ সিলভিয়া দেবীনি। কেজি ৫০ মথক্কীদা এ বেমবেম দেবী অমদি এস থোইবীনাও দেবী। য়ু–১৭ গার্লসকী কেজি ৫৩ মখাগীদা এন হরিপ্রিয়ারি অমদি বি তম্ফাসনানি।

বোইজ য়ু–১১গী কেজি ৩৬ মখাগীদা নেলসন য়াইখোম অমদি এম ডি অবিনাস। কেজি ৩১ মখাগীদা এল জিলকিলি অমদি দব্লিউ অচৌবা। কেজি ৩৬ মথক্কীদা কে ঐচ থৌঙম্বা অমদি কে ঐচ মনিচন্দ্র। কেজি ৩৭ মখাগীদা টি ঐচ থোইবা, এস ঐচ রোসন। কেজি ৪২ মখাগীদা এন বিদিয়াশাগর, টি ঐচ চিঙ্খোঙানবা। কেজি ৪৭ মখাগীদা এস গোবিন্দাস অমদি এন থোইথোইবা।

য়ু– কেজি ৫২ মখাগীদা এন কিসন অমদি এম দি অলি। কেজি ৬৫ মখাগীদা এ ৱাঙলেন অমদি এম বোবোয়। য়ু–১৯গী কেজি ৭৬ মখাগীদা এম রোমেসচন্দ্র অমদি ষক ঐচ থোসথোইবা। কেজি ৮৫ মখাগীদা এন রোমেন অমদি ও দাইমন।

য়ু–১৯ বোইজ কেজি ৫৪ মখাগীদা এস রোমিও। কেজি ৫৯ মখাগীদা বুঙোবী। কেজি ৬৫ মখাগীদা টি রিশিকান্ত অমদি দব্লিউ রনবিও। য়ু–১৭ বোইজকী কেজি ৫৯ মখাগীদা এল লিপসন অমদি টি ঐচ প্রিয়ান্দা। কেজি ৫৩ মখাগীদা এস ঐচ অমর অমদি এল সন্তোস।

কেজি ৬৫ মথাক্কীদা কে ঐচ রোহিট। কেজি ৬৬গীদা টি ঐচ নিংথেম্বা অমদি এন জি লোকেন্দ্রো। কেজি ৭৩ মখাগদিা এল জোন্সনি। য়ু–১১ বোইজ এন্দ গার্লসকী কেজি ২১ মখাগীদা রাজ বন্ধন হিমাম।

সেনিয়র বোইজকী কেজি ৫০ মখাগীদা টি রোমেন, বিনেস সিংহ। কেজি ৫৭ মখাগীদা এন হেলেন্দ্রা, এন বিশেশ্বর। কেজি ৬৫ মখাগীদা কে ঐচ মেঙ্গো, পাভৈ ক্লেভিন এনজি। কেজি ৭৪ মখাগীদা সোভৈদ লিভিঙসন, ও ইবেমচা। কেজি ৮৬ মথক্কীদা এল জেমসন। কেজি ৮৬ মখাগীদা এন চাবিনাও।

সেনিয়র ৱুমেন কেজি ৪৮ মখাগীদা তানসিন সান্তি। কেজি ৫৩ দা এন বিদিয়াপতি। কেজি ৫৮ মখাগীদা সি ঐচ বিজেতা। কেজি ৬৩ দা এক্স লোলোসনা অমদি কেজি ০৯ দা এ বিনা দেবীনি।

# ময়াংলাম্বম বাবু নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লেয়শিনখ্রে




ককচিং, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস)ঃ মতম কুইনা শুগনু এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যেন্সিগী মীহুৎ ওইরম্বা ককচিং খুনৌগী এক্স এম এল এ মিনিষ্টর ময়াংলাম্বম বাবু সিংহ লৈখিদবগী ১২ রকশুবা নীংশিং থৌরম ঙসি ককচিং খুনৌ গভণমেন্ট হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্পু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকপা এম বাবু সিংহ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯সু ঙসি লোয়শিনখ্রে।

এব বাবু সিংহ মিমোসিরয়েল ট্রস ককচিং খুনৌ অমসুং এল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ কে এস এ) ককচিং খুনৌ অনীনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা কুম্বী কেন্দ্রগী এম এল এ সনাশম বিরা সিংহনা চীফ গেষ্ট, ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এ য়েঙ্খোম শুরচন্দ্র সিংহনা প্রসিদেন্ট, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন খুমুকচম লৈমা দেবী, ভাইস চিয়ারপার্সন টি ঐচ রোশনি দেবী, ৱার্দ নম্বর ৮ গী কাউন্সিলর কে ঐচ গোজেন্দ্রো, ৱার্দ নম্বর ৪ গী কাউন্সিলর কে এস ঐচ ইন্দুবলা দেবী, ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিলর কে ঐচ রাধামনি দেবীনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা মীয়াম্না এক্স মিনিষ্টর ময়াঙলাঙবম বাবু সিংহগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নখি। লোয়ননা এম বাবু নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল মেটচসু শান্নখি।

টিম মরিনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা দিভলপমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন ( দি ৱাই এ) এলাং খাঙপোকপী অমদি ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ কে এস এ) ককচিং খুনৌনা শান্নখিবা মেটচতা দি ৱাই এনা এ কে এস এবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com